# ঐনা থেংনরকখিবা অৱাবশিং অদুনা মরম ওইরগা ইনখৎলক্লিবা হোৎনবা কনবা শান্নরোয়শিংদা ঙমজবা মতেং পাংগে হায়না খল্লি : রোশন মাইনম

**শান্নবুংগী পাউদম - ৪**
**জয়চান্দ লুৱাং**



অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা শান্ন-খোৎনবদা থৱায় য়াওজরক্লবসু ইমুং-মনুং লৈত-লায়রনা মরম ওইরগা নীংজবা কয়া থুংলকখিদে। মসিনা মরম ওইরগা মণিপুরদা হৌজিক-হৌজিক হৌগৎলক্লিবা মিক্স মার্সিএল আর্টস (এম এম এ) পুথৱায় য়াওনা শান্নবা পামজবা নহাশিংদা অঙন্বা মতেং পাংগে খল্লি হায়না মণিপুরগীতা নৎতনা ইনিদয়াগী ওইনা মমিং লৈরবা এম এম এ ফাইটর রোশন মাইনমনা ফোঙদোরক্লি।

রোশন মাইনম থৌবাল ৱাংমা তাবা শোরোকমথক্তগী মাইনম শ্যামকহ্নাই অমসুং মাইনম ওংবী ইবেমহলগী অনীশুবা ফংজবা মচানি। অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা মহাক শান্ন-খোৎনবগী লম্দা থৱায় য়াওরকখি। কুমজা ১৯৯৬তা পোকখিবা রোশন শান্নবদা থৱায় য়াওজরবসু মতমদুদা ইমুং-মনুংগী ফীভম ফত্তবা অমদি লমজিং-লমতাকপীনবা ৱাৎপদগী মফম খঙদনা লৈরকখি।

তোঙান-তোঙানবা মখলগী ইভেন্টশিং মহাকপীক্লিঙৈদগী শান্নরকখি। টেবল টেন্নিস মশান্না অঙাং ওইরিঙৈদা মহাক পামজখি। অদুবু মশান্না অসি চহী ১ রোম শান্নরক্লবসু মঙোন্দা কয়া চুশিন্নবা য়াদবা মশান্না অমা ওইখি। মদুগী মতুং কুমজা ২০০৬তা রেষ্টলিং মশান্নদা খোঙদাবা হৌরকখি। রেষ্টলিং শান্নবা হৌগৎলকপা মতমদসু মহাক্কী হকচাংগী ফীভম্না মরম ওইরগা খূদোংচাদবা কয়া মায়োক্ন রকখি। মতমদুদা হান্না রেষ্টলিং শান্নরম্বা মহাক্কী সিনিয়রশিংনা করেম কথাইনবগী থৌদোক কয়াসু থোকখি। সিনিয়রশিং অদুনা শান্নবা লোইখ্রবা মতুং রেষ্টলিং প্রেক্টিস তৌফম মফম অদুদা মহাক তুমিন্না চঙলক্তুনা প্রেক্টিস তৌবা হৌরকখি। মতমদুদা মহাক্কী ওজা হেমন্দ্রোনা মঙোন্দা শান্ন-খোৎনবগী লম্দা মতেং খরা পীখি। মদু নৎতনা মতমদুদা মতেং পাংবীনবা কনা লৈখিদে। তপ্না-তপ্না শান্নরকপদগী মহাক লমদম অসিদা রেষ্টলর অমা ওইনা মীয়াম্না মশক খঙবা হৌরকখি। মদুগী মতুং হায়রিবা চহী অসিমক্তদা মহাক দেল্লীদা চৎতুনা রেষ্টলিং শান্নবা হৌরকখি।

ইন্দিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী লিবা অমসুং মমিং লৈরবা রেষ্টলিং কেম্প গুরু হনুমান অখরাগী মেম্বর ওইনা মহাক ট্রেনিং তৌবা হৌরকখিবনি। গুরু হনুমান অখরা কেম্পতা ট্রেনিং ফংলবা মতুং দেল্লীদা পাঙথোকপা রেষ্টলিং টুর্নামেন্টশিংদা মহাক্না মাঙজিল থাবা ঙম্লকখি। কুমজা ২০১৪ ফাওবা মহাক রেষ্টলিং শান্নরকখি। অদুবু নেসনলগী থাক্তা য়ৌরকপা মতমদা মহাকমায় পাকপা ঙমখিদে। মদুনা মরম ওইরগা মঙোন্দা রেষ্টলিং মশান্নদা নীংহন্নরকপগী অচৌবা মরম অমা ওইরকখি। কুমজা ২০১৪দা ছুটি লৌদুনা মহাক দেল্লীদগী ময়ূমদা থোক্লকখি। ময়ূমদা লৈরবা মতুং মহাক তৌফম খঙদনা লেনবা হৌরকখি। অদুবু রেষ্টলিং কুইনা শান্নরকপনা মরম ওইরগা মহাক মীওই মীতৌ ফবা অমদি ওইখি। মহাক্না ময়ূমদা লৈরিঙৈদা মমান্নবশিংনা জিম চৎতুনা শান্ননবা হৌদোরকখি। মদুগী মতুং থৌবালদা পাঙথোকপা মিষ্টর কম্পিটিসন খরদা মহাক শরুক য়াখি। অসুম্না লেল্লিঙৈ মতমসিদা মহাক্না হান্না লৈরম্বা ক্লব অদুগী কোচনা মঙোন্দা ফোন তৌরক্লগা দেল্লীদা অমুক হন্না লাক্লবা অমদি সী আর পি এফতা জোইন তৌনবা খঙহল্লকখি। সী আর পি এফতা জোইন তৌনবা হায়রকখিবা অদুদা মহাক ৱাখলদা নুংঙাইবা খরদি ফাওখি। দেল্লীগীদমক মহাক ইম্ফালদগী খোঙশানবা হৌরকখি। গুৱাহাটিদা থুংলবা মতুং ট্রেন ষ্টেসনদা ঙাইহাক পোত্থারিঙৈদা মহাক্না পুরকপা বেগ মফম খঙদনা মাঙখিবদগী মহাক তৌফম খঙখিদে। মহাক্কী বেগ অদুদা মহৈ-মশিনগা মরী লৈনবা সর্টিফিকেটশিং অমদি রেষ্টলিং মশান্নদা মহাক্না ফংলকখিবা সর্টিফিকেটশিং য়াওখিবনা মরম ওইরগা মহাক তৌফম খঙখিদে। উপাই অমা তৌদুনা মহাক ময়ূমদা অমুক হল্লকখিরম্মী। ময়ূমদসু তৌফম খঙদবদগী ইম্ফালদা লৈরগা রেষ্টলিং শান্নবা হৌরগে হায়না হায়রম্লগা থোক্লকখি। অদুবু মহাক্কী মপূক্লিংদদি রেষ্টলিং শান্নবগী অপাম্বা তপ্না-তপ্না মাঙবা হৌরক্লম্মী। মদুগী মহুৎতা মিক্স মার্সিএল আর্টসকী ফাইটর অমা ওইনিংবগী ৱাখল্লোন ফাওরকখি।

কুমজা ২০১৫গী হৌগৎলকপা অদুৱাইদা ইম্ফালগী মফম অমদা লৈদুনা মহাক মশাগী শেন্দান লম্বী ওইনা চেক শূবা ফাওবা য়াওরমখি। চেক শূবদা ফংলকপা শেল অদুনা মহাক ইম্ফালদা লৈবদা মতেং ওইনরম্মী। অদুবু মপূক্লিংদা ফাইটর অমা ওইগে হায়না খনখিবা অদুনা মরম ওইরগা চহী অদুমক্কী এপ্রিল থাদা মুম্বাইদা চৎতুনা এম এম এগী কোচিং সেন্টরশিং থিখি। মহাক্কী মমান্নবা অমগা লোয়নননা মুম্বাইগী মফম খরদা চৎতুনা এম এম এগী ট্রেনিং তৌফম থিবদা ফংখিদে। ইন্টরনেটতা চঙদুনা য়েংলুবা মতমদা এম এম এগী ট্রেনিং তৌফম দেল্লীদা উৎলকখি। মে থাদা মহাক দেল্লীদা লাক্তুনা এম এম এগী ট্রেনিং তৌফম অদুদা য়াওনবা হোৎনখি। অহানবা য়াওনবা হোৎনবদা শেল-থুমগী খূদোংচাদবা কয়া মায়োক্লখি। ট্রায়ল ওইনা লুপা ৫০০ পীরগা মহাক ট্রেনিং সেন্টর অদুদা শান্নবা হৌরকখি। অদুগা মখা তানা শান্ননবা হোৎনবদা ফী পীবা ঙমদবদগী শান্নবা ঙমদনা লৈরকখি। মতমদুদা সেন্টর অদুগী কোচ অদুনা মহাকপু ফ্রীদা মতম খরা শান্ননবা শিনবীগে হায়রকপদগী হরাউবনা খম থেংখি।

তপ্না-তপ্না শান্নরকপনা কুমজা ২০১৫গী সেপ্টেম্বর থাদা ওল ইন্দিয়া মিক্স মার্সিএল আর্টস ওর্গনাইজেসননা শীনবা এমেচর টুর্নামেন্ট অমদা মহাক্না মকোক থোংবা ঙমখি। মদুগী মতুং নবেম্বর থাদা পাঙথোকপা টুর্নামেন্ট অমদসু মহাক মায় পাকখি। মদুদগী রোশন মাইনম এম এম এগী মফম অমা কন্দুনা লাকখিবনি। তোঙান-তোঙানবা ইন্টরনেসনলগী থাক্তা পাঙথোকপা টুর্নামেন্টশিংদা মহাক চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

অমরোমদা, রোশন মাইনমনা ফোঙদোরকখিবদা, ঙল্লিঙৈ মতমদা মহাক্না শান্নবা হৌরকপদা অতোপ্পা শান্নমিন্নরিবা মীওই খরনা করেম কথাইনবা অমদি ওইরোইদবদা কৈদৌবগী শান্নরিবনো হায়না ৱাহং কয়া হংলকখি। মহাক্কা নক্কনা লোয়নরিবা মমান্নবশিংনা ফাওবা করেম্নবা হৌরকখি। অদুবু মখোয়না মঙোন্দা করেম্ন রকখিবা অদু শাউনিংবা পোকখিদে। মদুনা হেন্না মঙোন্দা থৌনা পীখি। মহাক্না এম এম এ শান্নবা হৌরকপা মতমদা বিশাল সেহগল কৌবা ওজা অমনা মহাকপু ফজনা লমজিং-লমতাকপীরকপদগী মায় পাকপা মী অমা ওইবা ঙম্লকখিবনি হায়খি।

রোশন মাইনমনা কুমজা ২০১৫গী সেপ্টেম্বর থাদা দেল্লীদা পাঙথোকখিবা রেষ্টলিং টুর্নামেন্টতা শরুক য়াখিবা অদুনা মহাক্কী এম এম এগী করিয়রদা য়াম্না চাওনা কান্নবা ফংখি হায়না ঐখোয়গী পাউমীগা ৱারী শানবদা মখা তানা ফোঙদোরকখি। রেষ্টলিং মশান্নগী খূদোংচাবা অদুনা মিক্স মার্সিএল আর্টসকী মশান্না অসিদা অহেনবা খূদোংচাবা কয়া পীবা ঙম্মী হায়নসু থল্লকখি। মখা তারকপদা রোশনগী করিয়রদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন এম এম এ অমা ওইনবা হোৎনবা লেপখিরোই হায়না ফোঙদোরকখি।

# মণিপুর হোক্কীনা সী এম কোভিদ-১৯ রিলিফ ফন্দদা শেলগী মতেং পীখ্রে



ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচ এন এস): মালেমদা হৌজিক মায়োক্লরিবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিগী অনৌবা ৱেভ লাকপা অসিগা মরী লৈননা মণিপুর হোক্কীনা ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টরগী কোভিদ রিলিফ ফন্দদা মতেং ওইননবা লুপা ১,২৭,০০০গী শেনফম খূৎশিন্নখ্রে।

শেনফম অদু মণিপুর হোক্কীগী জেনরেল সেক্রেটরি সেরাম নেকেন, হৌজিক-হৌজিক হোক্কী ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা অদুগা মণিপুর হোক্কীগীনা সিনিয়র ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরিবা গ্যানেন্দ্রো নিংঙোম্বম, ভাইস প্রসিদেন্ট খোইরোম লোয়া অমদি মণিপুর হোক্কীগী চীফ এগজিক্যুটিভ ওফিসর এল বসন্ত শর্ম্মা য়াওনা শেনফম অদু মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরদা খূৎশিন্নখিবনি।

মণিপুর হোক্কীগী মায়কৈদগী মরুওইবা মীহুৎশিং অদুনা চীফ মিনিষ্টর কোভিদ রিলিফ ফন্দদা মতেং পাংখিবা শেনফম অদু মণিপুর হোক্কী অমদি ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট হোক্কী য়ুনিটশিংগী মেম্বরশিংনা খায়গৎলকখিবা শেনফমশিংনি। ঙসি নুংথিল চীফ মিনিষ্টরগী বঙ্গলোদা অচম্বা মওংদা ষ্টেট অসিদা মায়োক্লরিবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা অৱাবা পীরবশিংদা মতেং ওইননবা খূৎশিন্নবগী থৌরম অদু পাঙথোকপনি।

মণিপুর হোক্কীগী জেনরেল সেক্রেটরি সেরাম নেকেননা তোঙান-তোঙানবা হোক্কী মশান্নগী ফ্রেটর্নিটিশিংবু পূকচেল চাওনা লুরবা তানফম অসিদা শেলগী মতেং পীরকপদা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

চীফ মিনিষ্টরগী কোভিদ রিলিফ ফন্দ অদুদা শেলগী মতেং পাংলকপশিংগী মনুংদা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টকী হোক্কী এসোসিএসনশিং, মপান লমদা লৈরিবা মণিপুরগী শান্নরোয় অমদি মশান্না অসিবু নুংশিবা কাঙবু অমসুং মণিপুরদা লৈরিবা ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিং অমদি লন্নাইগী পূকচেল চাওরবা মীওইশিংগী মতেং য়াওরি।

# চেক রিপব্লিককী বারবোরা ক্রেচিকোভানা রোমানিয়াগী সোরানা কর্ষ্টিবু মায়থীবা পীদুনা ষ্ট্রাসবোর্গ ওপন টাইটল লৌবা ঙমখ্রে



ষ্ট্রাসবোর্গ, মে ২৯ (এজেন্সী): ফ্রান্সকী সিটি ষ্ট্রাসবোর্গতা থা অসিগী ২৩দগী হৌরকখিবা য়ু এস দোল্লর ২৩৫,২৩৮গী শেলগী মনা লৈবা ষ্ট্রাসবোর্গ ইন্টরনেসনল ৱিমেন্স টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা চেক রিপব্লিককী বারবোরা ক্রেচিকোভানা রোমানিয়াগী সোরানা কর্ষ্টিবু মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা চহী অসিগী ২শুবা গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা ফ্রেঞ্চ ওপনগী শেম শাবা টুর্নামেন্ট অমা ওইখিবনি। ষ্ট্রাসবোর্গ ওপনগী নুপীগী সিঙ্গলসতা মঙাশুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবী চেক রিপব্লিককী বারবোরা ক্রেচিকোভানা মহাক্কী সেমীফাইনেলদা জর্মনিগী শান্নরোয় জুল নৈমিয়রবু সেট ২-১দা মায়থীবা পীরম্বনি। অদুগা মহাক্না ফাইনেলদা লম্বা তৌনখিবী রোমানিয়াগী সোরানা কর্ষ্টিনা সেমীফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অদুগী ৮শুবা সিদেদ শান্নরোয় পোলেন্দগী মেগদা লিনেটপু সেট ২-১দা থোইখি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ষ্ট্রাসবোর্গ ওপন ৱিমেন্স টেন্নিস টুর্নামেন্ট অদুগী ফাইনেলগী অহানবা সেটতা সোরানা কর্ষ্টি অমদি বারবোরা ক্রেচিকোভাগা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নরকখ্রবসু রোমানিয়াগী শান্নরোয় অদুগী অশোনবা মফম খরদা খূদোংচাবা লৌদুনা ক্রেচিকোভানা সর্ভিস গেম অমা মুন্দুনা ৬-৩দা থোইখি। অনীশুবা সেট অদুদসু চপ মান্নবা স্কোরদা কর্ষ্টিগী সর্ভিস গেম ব্রেক তৌদুনা বারবোরা ক্রেচিকোভানা ৬-৩দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অদুগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী দবলসকী কাঙলূপ্তা নম্বর ৱান সিদেদ প্যের ওইখিবা চিলিগী এলেক্সা গ্বারাচি অমদি য়ু এস এগী দিজায়র ক্রোচিকনা জপানগী নাকোটা নিনোমিয়া অমসুং চাইনাগী জাও জু ৱান য়াংগা লম্বা তৌনরকপদা অহানবা সেট অদু ইকোম কোম্না ৬-২দা থোইরবা মতুং অনীশুবা সেট অদুসু জপান অমদি চাইনাগী প্যেরগী সর্ভিস গেম ব্রেক তৌদুনা ৬-৩দা থোইরগা টাইটল লৌখি।

# ৮৮শুবা থাঙ-তা রিভাইবল দেগী থৌরম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ৱেষ্টকী য়ূম্নাম হুইদ্রোমদা লৈবা হুয়েল লাংলোন থাঙ-তা এসোসিএসন মণিপুরনা ৱর্ল্ড থাঙ-তা ফেদরেসন, এসিয়ন থাঙ-তা ফেদরেসন অমদি থাঙ-তা ফেদরেসন ইন্দিয়াগা খূৎশম্নরগা ৮৮লকশুবা থাঙ-তা রিভাইবল দেগী থৌরম হয়েং পাঙথোক্লগনি হায়না হুয়েন লাংলোন থাঙ-তা এসোসিএসন মণিপুরগী সেক্রেটরি হৈক্রুজম চা বাবুনা প্রেসতা পীরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

কুমজা ১৮৯১ এংলো-মণিপুর লানদা মণিপুরনা বৃটিশকী মখূৎতা মায়থীবা ফংলবা মতুং শা-লান মহৈ হুয়েল লাংলোন থাঙ-তাবু শাংলবা চহী ৪৩ চুপ্পা বৃটিশ লৈঙাক্না অথিংবা থমখ্রবা মতুংদা কুমজা ১৯৩৪গী মে ৩০দা মতম অদুগী মণিপুরগী ইনিংথৌ চূড়াচান্দনা ময়াই তাংবল লৌরগা ফমখিবা নিখিল মণিপুর মহাসভাগী মীফমগী রিজোল্যুসনগী ৮শুবা পন্দুপনা হুয়েল লাংলোন থাঙ-তা মহৈবু নৌহৌনা হিঙ্গৎহনখি। নুমীৎ অসিবু নীংশিংবা ওইনা পাঙথোক্কদবা থৌরম অসি কোভিদ-১৯গী লৈঙাক্না পীরিবা এস ও পি (ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজর) ঙাক্তুনা পাঙথোক্কনি হায়না হুয়েল লাংলোন থাঙ-তা এসোসিএসন মণিপুরগী চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

অমরোমদা, অপূনবা মণিপুর হুয়েন লানলোং লূপকী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্নসু মে ৩০ অসিবু হুয়েন লানলোং য়েন্নিং হনবা নুমীৎ হায়না চহী খূদিংগী পাঙথোক্লগনি হায়না লূপ অসিগী মায়কৈদগী পীরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

## মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

### কর্ফিয়ু লৌরিঙৈ মনুং অসিদা ইম্ফাল মনুংদা লৈরিবা লম্বীশিং শেমহৌবা য়াই



তাইবঙ মপূগী থৌজাল ফংলবা খূৎকী খূদোম্বীনা হেক থিনবদা সনা থোকউ থোকপা অমদি লুপা থোকউ থোকপা ঙম্বা হায়বদুমক হায়বা য়ারবা কোভিদ-১৯ লাইচৎকী কর্ফিয়ু মনুং অসিদা ইম্ফাল কাংচুপ অমদি তমেংলোং ফাওবগী লম্বী খুৎশেম তশেংনা অঙকপনি হায়বা য়াই। অসুক য়াম্না ফজনা মশা নান্না পাক চাওনা খুমাঙ চাউশিন্না শেল্লিবা লম্বী খুৎশেম শিন্নী অমসুং লৈঙাক অনীবু থাগৎতবা ঙমদে। লাইমক্কী খূৎমক্না শেম্বগা পাঞ্চক ওইরবা হেক উবদা ফজবনা অপেনবা পোক্লবা লম্বী খুৎশেম করিগী থাগৎলোই। মসি পূম্নমক অসি লৈঙাক্না কর্ফিয়ু থম্বনা লম্বী লমজাওদা গাড়ী মচা-অচৌবা অমসুং মীওই কয়া থোক্লক্তবনা থবক শূবদা খোঙলৌ পল্লৌদা কোম্না নুংঙাইনা থবক শূখিবনা ওইরম্বসু য়াই। মরম অসিনা লৈঙাক্না কর্ফিয়ু মনুং অসিদা মী থোক্লক্তবগী খূদোংচাবা লৌরগা ইম্ফাল মনুংগী লম্বী-থোং, ফুটপাথ, ঈরম-খোংলম শেমজিন-শাজিনহৌরবদি নোংজু থাদা ঈশিং থুম্বগী অৱাবা লৈতবগা লোয়ননা তরু-তনানবা সিটি অমা ওইনা উগনি। লোয়ননা ইম্ফাল ময়োলদা খিল্লিবা ভৈগ্যচন্দ্রনা শামু ফাবগী মীতমবুসু ফজনা শেম্বীরবদি অপেনবা ওইগনি।

❒ এল ইবোমচা, তাওথোং

### ক্বা মতপ্তা লুপা ৫০/১০০ পীরবসু চানৈ অদুবু লুপা ৫০/১০০ পীবা মাস্কতি উপ্পদে



কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভ লাম্হেংনরিবা কোভিদ ৱারিয়র্স শুপ্নতংগী মেদিকেল ষ্টাফ অমদি সিক্যুরিটি পর্সনেল খক নত্তে হায়বসি পূম্নমক্না খঙনরবা ঙাক্তনি। অদুবু পেন্দেমিক অসিদগী ইশা-ইশানা ঙাকথোকচনবা মাস্ক, সেনিটাইজর অমদি সোসল দিষ্টেন্সতি মীয়াম্না থৌশাবীদ্রে। মসিনা মরম ওইদুনা পোজিটিভ ওইবা অমদি শিবগী চাং ৱাংখৎলক্লিবনি। মী অয়াম্বদি মাস্ককীদমক্তদি শেল পাম্মুবগীদমক অহোঙবা দিস্পোজেবল মাস্কনা অনম্বা শীজিন্নৈ। অদুবু ক্বা অমদি ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কীদমক্তদি পাম্মুবা লৈতনা চানরি। ক্বা মতপ অমদা লুপা ৫০/১০০ পীরবা ফাওবদা চানৈ। অদুবু অতাঙবা মাস্ক এন ৯৫কুম্বা লুপা ৫০/১০০ পীবদি শীজিন্নদবনা অয়াম্বনি। ক্বা, খৈনী অমদি ময়াই কাবা চীঞ্জাক্না কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোকপা ঙম্লগদি এস ও পি ঙাকপগী করি মথৌ তারিবগে। য়ূমদগী ক্বা অমদি ময়াই কাবা চীঞ্জাক লৈবগী থোরকপদদি মাস্ক উপ্পগা থোক্লকই। দুকান হেক য়ৌবগা মাস্ক লৌথোক্লগা হেক্তমক চানৈ। মাস্ক উপ্পগী করি ৱাহন্থোক লৈরিবগে। ইশা-ইশানা কোভিদ ৱারিয়র অমা ওইদুনা লাইচৎ অসি মায়থীনবা হোৎনমিন্নরসি।

❒ রেক্কি মাইব্রম, মোইরাং বজার

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

# আই পি এল ২০২১গী লেমহৌবা মেটচশিং য়ু এ ঈদা পাঙথোক্লগনি হায়না বি সী সী আইনা ফোঙদোকখ্রে

মুম্বাই, মে ২৯ (এজেন্সী): মালেমগী ক্রিকেটকী ওইনা টি-২০ ফোর্মেটতা শান্নবা লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্টনি হায়না লৌনরিবা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২১গী লোইশিনহৌদবা মেটচশিং অদু চহী অসিগী সেপ্টেম্বর অমদি ওক্টোবর থাদা য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসনা য়ূম্বু ওইরগা লোইশিল্লগনি হায়না বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বিসীসীআই)গী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা বি সী সী আইগী অখন্নবা জেনরেল মীফম অমদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখিবা মমাংদা ইন্দিয়াগী ক্রিকেটতা কেপ্টেন অমা ওইবগী থৌদাংসু লৌরম্লবা সৌরভ গঙ্গুলিনা ৱাফম অসি ইন্দিয়াদা লৈরিবা ক্রিকেট মশান্না অসিগী ষ্টেট য়ুনিটশিংদা খঙহল্লদুনা মখা তাবা লেমহৌরিবা আই পি এল ২০২১গী মেটচশিং অদু য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসনা য়ূম্বু ওইদুনা মফম অদুগী ক্রিকেট ষ্টেদিয়ম অহুমদা শান্নরগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

ঙসি পাঙথোকখিবা বি সী সী আইগী স্পেসল জেনরেল মীটিং অদুদা হৌজিক-হৌজিক মালেম শীনবা থুংনা মায়োক্লরিবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী অনৌবা ৱেভ অসিনা মরম ওইবগী ৱাফম নাথৈদুনা সেপ্টেম্বর থাদা ইন্দিয়াদা মোন্সুনগী অকনবা নোং তারকপা য়াবা মরম্না খূদোংচাদবা লৈবনা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী লেমহৌরিবা মেটচশিং অদু য়ু এ ঈদা চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ১৮নৎত্রগা ১৯দগী হৌরগা ওক্টোবর ১০ ফাওবগী মনুংদা লোইশিনগনি হায়না ষ্টেট য়ুনিটকী মেম্বর অমনা মমিং লৈরবা স্পোর্টসকী মেগাজিন অমগা ৱারী শানবদা ফোঙদোরকখি।

ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অসি ইন্দিয়াগী সিটি ৫, চেন্নাই, বেঙ্গলুরু, মুম্বাই, দেল্লী অমদি অহমেদবাদতা শান্নরম্বদগী শান্নরোয় অমদি সপোর্ট ষ্টাফশিংগী মরক্তা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকখিবদগী চৎলিবা থা অসিগী ৪দা টুর্নামেন্ট অদু লেপ্পগা মখা তানা য়ু এ ঈদা পাঙথোক্লবা শিল্লকপনি।

# ইন্দিয়াগী নুপীগী বোক্সর ৪ গোল্ড মেদলগীদমক্তা শেম শাদুনা লৈরি

দুবাই, মে ২৯ (এজেন্সী): য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসকী সিটি দুবাইদা পাঙথোক্লিবা এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সর ৪না গোল্ড মেদল লৌনবগীদমক্তা হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা ফাইনেল অদুগীদমক্তা শেম শাদুনা লৈরি।

মমাংদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী গোল্ড মেদল তরুক্লক লৌবা ঙমখ্রবী মণিপুরদগী হৌখিবী এম সী মেরি কোম য়াওনা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী নুপীগী বোক্সর অহুম এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অসিগী ফাইনেল য়ৌদুনা গোল্ড মেদল ফংনবা মখোয়-মখোয়গী লম্বাবু মায়োক্লনবা শেম শারি। এম সী মেরি কোমনা নুপীগী কিলোগ্রাম ৫১দা হয়েং কজাখষ্টানগী বোক্সর নাজিম কিজাইবেগা লম্বা তৌনগদৌরিবনি। অমরোমদা, কিলোগ্রাম ৬৪গী নুপীগী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী বোক্সর লালবুৱাটসাহিনা কজাখষ্টানগী অতোপ্পা বোক্সর মিলানা সাফ্রোনোভাগা লম্বা তৌনগনি। লোয়ননা নুপীগী কেজি ৭৫গী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী পুজারানী বোরানা উজবেকিষ্টানগী বোক্সর মাল্লুদা মোল্লোনোভাগা ফাইনেল শান্নগনি। অদুগা নুপীগী কিলোগ্রাম ৮১ মথক্কী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী অনুপামানা কজাখষ্টানগী লাজাট কুঞ্জেবাইএভাগা থেংনগদৌরি।

নুপাগী কাঙলূপ্তা কিলোগ্রাম ৯১গী কেটগোরিদা ইন্দিয়াগী সঞ্জিৎনা ঙরাং উজবেকিষ্টানগী তুরসুনোব সঞ্জরবু মায়থীবা পীদুনা ফাইনেলদা কজাখষ্টানগী বাসিলি লেবিটকা থেংনগদৌরি। অমিট পনঘল অমসুং শিব থাপাসু ফাইনেল য়ৌরি।

# ইন্দিয়াগী শান্নরোয় ৩ ৱর্ল্ড কপকীদমক লম্বা তৌনরি

ন্যু দেল্লী, মে ২৯ (এজেন্সী): এ আই সী এফ ৱর্ল্ড কপ চেছ টুর্নামেন্টতা ক্বালিফাই ওইনবগীদমক্তা ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা শান্নরোয় অহুম্না অকনবা মওংদা লম্বা তৌনরি।

ওনলাইনদা শান্নখিবা ১৪শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী পি অনিয়ননা হান্না রাউন্দ অমত্তা মায়থীদনা লাকখিবা জি গুকেশপু মায়থীবা পীদুনা পোইন্ট ১০.৫ ফংলগা ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অদুদা মাঙজিল থাবা ঙম্লি। ক্বালিফায়িং অদুগী ১৪শুবা রাউন্দ লোইশিল্লকপা অদুদা অনিয়নগী পোইন্ট ১০.৫গী মখাদা মায়থীখিবা গুকেশ পোইন্ট ১০ অদুগা রাজা রিফবিকনা পোইন্ট ৯.৫ ফংলগা রাউন্দ ৩ ৱাৎলিবা টুর্নামেন্ট অসিদা মকোক থোংবা ঙম্নবা হোৎনরি।

EMPLOYMENT NEWS


(Bricks Mistry + Jugali Needed)

☞ Samurou Bazar, Imphal West কা নক্লনা লৈবা মীওইগী ওইনা Workshop Asst. (XII Passed) 2, Car Wash + Workshop Helper 2/2, 2 Wheeler Mechanic 2, Bricks Mistry 2, Jugali 4, Car Driver 2 অথুবা মতমদা পামজৈ।

Sd/- : M.M. Singh
Contact No. : 8787556934

HL-B/6970/16/5-13/7(alt)

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 124**

**Nunn, John - Seirawan, Yasser**
**Wijk aan Zee I (1), 1992**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 c6 | 2.d4 d5 | 3.e5 Bf5 | 4.Nf3 e6 |
| 5.Be2 c5 | 6.O-O Nc6 | 7.c3 c4 | 8.b3 b5 |
| 9.a4 a6 | 10.Na3 h6 | 11.Bb2 Bxa3 | 12.Bxa3 Nge7 |
| 13.Bc5 O-O | 14.b4 Rb8 | 15.Nh4 Bh7 | 16.f4 Re8 |
| 17.a5 Be4 | 18.Qd2 Nf5 | 19.Nf3 Rb7 | 20.Rae1 Nh4 |
| 21.Qe3 Nxf3+ | 22.Bxf3 Bd3 | 23.Be2 Be4 | 24.Bg4 g6 |
| 25.Bf3 Bd3 | 26.Rf2 Kh7 | 27.g4 Ne7 | 28.Rg2 Rh8 |
| 29.Rg3 Ng8 | 30.Qf2 Rd7 | 31.Qg2 Kg7 | 32.Bd1 Be4 |
| 33.Rxe4 dxe4 | 34.Qxe4 Ne7 | 35.f5 Nd5 | 36.Bc2 Qg5 |
| 37.fxe6 fxe6 | 38.h4 Qc1+ | 39.Kh2 Nf4 | 40.Rf3... |

**QUESTION :**
**Black to win**

**Puzzle 123 Ans. :**

**31.** ...Qd2 **32.**Nxh3The white knight deflects Black's knight away from protecting the square h5.Nxh3 **33.** Nf5+The white knight deflects Black's pawn away from protecting the square h5.gxf5 **34.**Qh5#Lolli's mate

**32.**Nxh3 Qe1+ **33.**Bf1 Nxh3 **34.**Nf5+ gxf5 **35.**Qh5#

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com